# ১৯৮২দা পুন্সিগী অহানবা ওইনা খুমন লম্পাক্তা নৌনা হাংদোরকখিবা স্পোর্টস দিপার্টমেন্টতা থবক চঙবা ফংলকখি



লাইশ্রম ব্রোজেন্দ্রো
*টি টি কোচ, সাই, এস টি সি অসাম*
*(ঙরাংগী মখা)*

১৯৮২দা ঐহাক্না স্পোর্টস দিপার্টমেন্টতা থবক চঙজখিবা অদুসু মতমদুদা স্পোর্টস মিনিষ্টর ওইবীরম্বা মহমদ মহামুদ্দিন সাহনা হাপ্পীরম্বনি। মদুসু নুংঙাইবা ৱারী অমনি, ঐহাক্না 'স্পোর্টস রিভোল্যুসন' কৌবা চেফোঙ অমা ফোঙবা, শান্ন-খোৎনবগী কোইচেন চেনবসি লৈবাক্কী অঙম-অথৌ, এম এল এ, মন্ত্রি ময়ামসিনসু ইখঙ খঙবী। অদুদসু নত্তনা টি টিদা নেসনল প্লেয়রনি হায়বসিমসু খঙবীবনিনা করিগুম্বা অমা তৌবদা অদুমক নীংশিংবিরকই। মহামুদ্দিননা থবক হাপ্পীরকখিবা মওংসিসু ঐহাক্না স্পোর্টস মিনিষ্টরসি চীফ গেষ্ট ওইননবা উনজরুবনি। মদু ঐনা খঞ্জবদা ঐখোয়গী ক্লব এস দল্লীয়ু সিগী ভোল্লিবোল টুর্নামেন্টকীরা হায়না নিংই। মদুদা মিনিষ্টর মশামকসিনা নৌনা হাঙদোরক্লিবা স্পোর্টস দিপার্টমেন্টসিগী অফবা প্লেয়র ওইরম্বা মতিক চাবা মী ৩০ মুক লৌগদৌরি। নংসু অতে অতে কোইচেন চেন্দুনা লৈগদবগী শরুক এপ্লিকেসন থাজিল্লকউ। নখোয় অফবা শান্নরোয়দি হেক্তা খল্লদোইনি হায়বীরকখি। ঐদি থবক ইনখাঙগী ৱাফমগসি কয়া থওইরক্তে। অদুবু অদুগুম্বা খুদোংচাবা অমা মতাং চানা ফংজখিবদুনা পুন্সিগী লাইবক লেপ্পদি ঙমজখি। ১৯৮২গী ফেব্রুৱারী ২৬তনি ঐহাক্না থবক জেইন তৌজরকখিবসি।

অহানবা ওইনা চে থোরকখিবসি ফুটবোলগী মমিং লৈবা কোচ চিঙাখম শান্তি, রাজেন্দ্রো, ঐগ্যা জি তোম্বী শর্ম্মা, নাজির, বীহারী ঐহাক্না চন্দ্রজিৎকা....ঐখোয়খরনি। অদুগা, ঐগ্যা তোম্বীসিদি ১৯৮২গী ফেব্রুৱারী ২৬সিদা জোইন তৌহৌদ্রগদি থবক চঙবা য়াবগী চহী হেন্দোকখিদোইনি হায়দুনা মতমদুদা তৌই। ঐগী চে চাং থাজিনবা নেসনল সার্টিফিকেট, গ্রেজুয়েসনগী সার্টিফিকেট পিশিনবা এপ্লিকেসনগা থাজিনবসিসু ময়াম্না অয়াম্বা তৌবিখি। থবক্তু চংবদা ঐহাক শেলশিকিঅমত্তাতিংখিদে। অদুমাইনা থবকসি চঙজরকখি। স্পোর্টস দিপার্টমেন্টতা লাকপদগীদি চেফোঙ তৌরম্বা অতে অতে থবক ইনখাং চেল্লম্বা অদুসু খরা লেপ্পকখি। অহানবা থবক চঙজরকপা মতমদা ঐখোয়গী ইথৌসি কোলেজ কোলেজদা তৌরিবা স্পোর্টস মিটকুম্বদা দিরেক্টোরেট ওফিসতগী পুল্লব পুল্লব চৎলগা স্পোর্টস কন্দক্ট তৌবা সিগুম্বসি তৌরকখি। নোংথোম্বম তা মাইপাক হোয়, ঐখোয়ময়ামসি কোলেজখরগী স্পোর্টস মিট পাঙথোকপদা তোইনা চৎমীন্নরকখি। মতম খরা অদুমাইনা তৌরল্লগা দেপ্যুটেসনদা থা ১০গী দিপ্লোমা কোর্স তৌরুনবা এন আই এস পর্টিয়ালাদা চৎচরকখি। চাউরাক্না চহী অমরোমগী কোর্সসি তৌজরুরবা মতুংদা অমুক হঞ্জরকখি। পর্টিয়ালাদা ট্রেনিং লোইদুনা থোকচরকপা মতমদা স্পোর্টস দিপার্টমেন্টসিদা পোষ্ট লৈগা-লৈতেগা হায়দুনা ওন্থোকপা মওং অমদা লৈরমখি। হায়রিবা মতমদু স্পোর্টস দিপার্টমেন্টসিদা থবক অমুক হাপকনি অমুক লৌথোক্কনি তৌদুনা নুংঙাইতবা মতাং অমা ওইরমখি। ঐগী ওইনা দেপ্যুটেসনদা ট্রেনিং চৎলুবদু শেরান তুরান পাউতমশিল্লম্বা য়াওদুনা য়েৎনবা খরসু থোকখি। নাকন অমরোমদা, স্পোর্টসকা মরী লৈনবা অৱাংবা থাক্তা কোর্স কয়া লোইশিন্দুনা লাক্লবা মীওইশিংনা লিংবা স্পোর্টস কাউন্সিলগসি এদুকেসন দিপার্টমেন্টনা কন্ট্রোল তৌনিংবা, মখোয়গী ইনষ্ট্রক্সন মখাদা চৎহন্নিংবা মতাংসু লৈখি। ১৯৮২-৮৩গী মতমসি স্পোর্টস দিপার্টমেন্টসিগী টর্নিং পোইন্ট অমসু ওইখি। ঐগী ওইনদি অঙম অথৌ মরক্তগী পাউ শেরান-তুরান তমশিল্লম্বা অদুদগী শাউনিংদুনা অকনবা ৱা খরা ঙাংনরগা থবকসু তোল্লকখি। মতমদুদদি এন আই এস কোর্সকী ট্রেনিংসু লোইরবনিনা সাইগী ইন্টরভিয়ু ওইনা য়াওরগা এন আই এস কোচ ওইরুরগে হায়বা ৱাখল অমসু লাকখি। অদুদগী ১৯৮৪গী জুলাই ফর্স্তৱিকসিদা ঐহাক কলকত্তাদা সাইগী ইন্টরভিয়ু য়াওবা চৎচখি। মতমদুদা ঐখোয় চৎমীন্নখিবসি ফনা য়াম্মী এলাংবম মাঞ্জিৎ (ফুটবোল), মঞ্জরি (কবাদি), ওজা কোম্না, ..... অসিনচিংবনি। ঐগী ইন্টরভিয়ুসিদা ৱাহং ময়াম অমা হংলকপগা লোয়ননা লাষ্টকী ৱাহংসিদা অসুম্না হংলকখি। নহাকসি করিগুম্বা কোচ ওইনা থবক খল্লবদি ইন্দিয়াগী সাই সেন্টর অমদা হেক্তা থাবদা চৎকদ্রা? মদুদা ঐনা খুমজখি, ঐহাক চৎনিংদে। করিগীনো মরম পীয়ু হায়দুনা মখা অমুক হংলকখি, মদুদা ঐনা খুমখিবসি, ঐগী পোকফম শাৎফম ওইরিবা মণিপুর হায়বা ষ্টেটসি, ইন্দিয়াগী ওইনা নোথ-ইষ্টকী চিদাইদা লৈবা অপিকপা লমদম অমনি। ইন্দিয়াগী ওইনা অপীকপা ষ্টেট অমা ওইজরগসু শান্ন-খোৎনবদদি থোইদোক্না মমিং লৈজবা মফমনি। তোঙান-তোঙানবা স্পোর্টস ইভেন্ট কয়া ঙসিদি মণিপুরিগী শান্নরোয়শিংনা খোঙ থাংজিনবা হৌরক্লি। টেবল টেনিসহায়বামশান্না অসিসু মণিপুরি মচাশিংনা পাম্না শান্নবা ইভেন্ট অমনি। ইশাগী ষ্টেটসিগী প্লেয়র খরা শেমগৎচগে খল্লগা ঐহাক ইন্টরভিয়ুসি য়াওজবনি। অদুনা অহানবা অসিমদি মণিপুর ষ্টেটতা থাবীয়ু হায়জখি। *-মথং-মথং-*



**রত্নেশ্বরি গোশ্বামী**
**টেবল টেনিসতা মীৎয়েং অমা**



## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ৯৭

১) কুমজা ১৯৭১-৭২দা ওল মণিপুর স্পোর্টস এসোসিয়েসনগী চীফ পেত্রোন (Chief Patron) ওইখিবা অদুগী মমিং পীয়ু।

২) কুমজা ১৯৩০ (1930)গী মতমদা SHEFFIED SHIELD গী টুর্নামেন্টতা Donald Bradmanনা শরুক য়াবদা নোংমগী মেচ ফি (Match Fee) কয়ানো?

৩) ন্যু জিলেন্দনা ইন্দিয়াদা ক্রিকেট টেষ্ট শান্নবা লাকপদা শান্নরোয়শিং অদুগী মরক্তা স্কুল ওজা মরি, ঙা লল্লোনবা অমা, এদভরটাইজিং মেনেজর অমা, সেলসমেন অনী, উহৈ-ৱাহৈ থাদুনা হৈকোল শেম্বা নুপা অমা য়াওরকখি। করম্বা চহীদা টিম অদু ইন্দিয়াদা লাকখিবগে?

৪) অঙাং লায়েংবগী অফাওবা ডাক্তর অমা ওইরকখিবা ওলিম্পিক চেম্পিয়ন অমনা কুমজা ১৯৪৫দা অঙাংশিংবু চেকশিন থৌরাং লৌনবা লাইরিক অমা ইদুনা কোপি মিল্লিয়ন ২৫ হেন্না য়োনখি। মহাক কনানো?

৫। উৎলিবা লাই অসি কনানো? ⟶



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুন ৩০, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# আর্চর তরুনদিপ, অতানু, প্রবিন অমসুং অতুল টার্গেট ওলিম্পিক পোদিয়ম স্কিমগী খনগৎখ্রে



ন্যু দিল্লি, জুন ২৬ (এজেন্সী)ঃ

স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী মখাদা লৈবা মিসন ওলিম্পিক সেলগী মনুং চন্না ইন্দিয়াগী নুপাগী আর্চর ৪-তরুনদিপ রাই, অতানু দাস, প্রবিন যাদব অমসুং অতুল বর্মা কুমজা ২০২০ টোকিয়ো ওলিম্পিক্সকীদমক্তা টার্গেট ওলিম্পিক পোদিয়ম স্কিমগীদমক খনগৎখ্রে।

পনবা য়াই, তরুনদিপ, অতানু অমসুং যাদব থা অসিগী অঙনবা শরুক্তা নেদর্লেন্দসকী সিটিহরটোজেনবোসতা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড আর্চরি চেম্পিয়নশিপ্তা নুপাগী রিকর্ব টিমদা সিলভর মেদল ফংখিবনি। মখোয় অহুমক টোকিয়ো ওলিম্পিক্সকী ইন্দিভিজ্যুল রিকর্ব ইভেন্টকীদমক ক্বালিফাই ওইখি।

ঙসি স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী দিরেক্টর জেনরেল নিলক কাপুরনা চেয়ারমেন ওইদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা এথলিটশিং অসি মখোয় মখোয়না মালেমগী থাক্তা পাঙথোকপা টুর্নামেন্টশিংনা হৌখিবা চহী ৩ অসিগী পার্ফোমেন্স য়েংলগা টার্গেট পোদিয়ম ওলিম্পি স্কিমগীদমক খনগৎলকপনি।

স্কিম অসিগীদমক্তা মশান্না ৬কী ওইনা লুপা লাখ ৩৪ পীননবা শেলগী মতেং অদুসু অয়াবা পীখি। মরু ওইনা রেষ্টলিংগী মশান্নদা পুজা ধনদা, বজ্রং পুনিয়া, উটকর্স কালে অমসুং ভিনেস ফোগটনা ট্রেনিং অমসুং মীরমদা পাঙথোক্কদবা টুর্নামেন্টশিংগী শেলগী মতেং ফংগদৌরি। এথলিটিক্স, সুটিং অমসুং টেবল টেনিসকী মশান্নদগী ওইনসু স্কিম অসিগী শেল কায়থোকপদা য়াওখি।

# বেঙ্গালুরু হোক্কি এসোসিয়েসন মায় পাকখ্রে অদুগা মুম্বাই স্কুল স্পোর্টস এসোসিয়েসন দ্রো চৎখ্রে



বিলাসপুর, জুন ২৬ (এজেন্সী)ঃ

ছরিসগরগী সিটি বিলাসপুরদা চৎথরিবা ৯শুবা হোক্কি ইন্দিয়া সব জুনিয়র মেন্স নেসনল চেম্পিয়নশিপ ২০১৯গী বি দিভিজনগী ঙসি শান্নখিবা পুল 'বি'গী মেচ অমদা বেঙ্গালুরু হোক্কি এসোসিয়েসন মায় পাকপা ঙমখ্রে। অদুগা মুম্বাই স্কুল স্পোর্টস এসোসিয়েসন দ্রো চৎখ্রে।

বেঙ্গালুরু হোক্কি এসোসিয়েসননা ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ 'বি' গী অনীশুবা মেচতা কেরাল হোক্কিগা লম্বা তৌনখি। মেচ অদু বেঙ্গালুরুগী টিমনা চাওনা খুদুম চনবা ঙমখি। টিম অদুগী মায়কৈদগী উজ্বলনা পাঞ্জল ২ চন্দুনা অতোপ্পা টিমমেট ৭না পাঞ্জল অমমম চনবা ঙমখি।

মেচকী হৌরকপা ৭ শুবা মিনটতা বেঙ্গালুরুগী আর রোদ্রিগেজনা অহৌবা পাঞ্জল চনখি। থংনবা মিনটতা টিমমেট অকাস যাদবনা পাঞ্জল অমা চল্লবা মতুং অহানবা ক্বার্টর অদুগী লোইরমদাইদা টিম অদুগী অর্বিন তোপোনা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা মেচ অদুগী অহানবা ক্বার্টর লোইশিনবদা বেঙ্গালুরু হোক্কিনা কেরলা হোক্কিবু ৩-০দা হেন্দুনা লৈখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা ক্বার্টরদা সন্দিপ তোপোনা অহেনবা পাঞ্জল অমা হাপচিন্দুনা লৈরিঙৈ টিমমেট উজ্বলনা ২৩ শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমগা হাপচিন্দুনা ৫-০দা হেন্দুনা অহানবা হাফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপদা কেরলা হোক্কিগী মায়কৈদগী জিথিন জয়না ৩২ শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা চনখি। মখা তারকপা মেচ অদুদা বেঙ্গালুরু হোক্কিগী মায়কৈদগী উজ্বল, ধনুস, অরিয়ান অমদি কমল তেজানা পাঞ্জল ৪ চনশিনখিবা অদুনা মেচ অদু বেঙ্গালুরু হোক্কিনা কেরলা হোক্কিবু ৯-১দা থোইখি।

পুল 'বি'গী অতোপ্পা মেচ অমদা মুম্বাই স্কুল স্পোর্টস এসোসিয়েসন অমসুং সিটিজন হোক্কি ইলভেন লম্বা তৌনবদা পাঞ্জল ২-২ চন্নরগা দ্রো চৎখি।

# চেন্নাইন এফ সিনা নেপালগী এম এম সি ক্লবপু মায়থীবা পীবা ঙল্লবসু ধকা অবাহানিনা মিনর্ভা এফ সি থোইখিবদগী সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিদ্রে

ললিটপুর, জুন ২৬ (এজেন্সী)ঃ

চৎলিবা চহী অসিগী ফেব্রুৱারী ২৫দগী হৌরগা পাঙথোকখিবা এসিয়ন ফুটবোল কনফিগরেসন কপকী নোক আউট ষ্টেজ য়ৌনবগীদমক ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ 'ঈ'গী অরোয়বা লিগ মেচতা ইন্দিয়াগী ক্লব চেন্নাইয়িন এফ সিনা নেপালগী মনাঙ মার্সিয়াঙদিবু পাঞ্জল ৩-২দা মায়থীবা পীবা ঙল্লবসু গ্রুপ অসিগী অতোপ্পা মেচ অমদা ইন্দিয়াগী ক্লব অমা ওইরিবা মিনর্ভা পঞ্জাবপু বংলাদেশকী ক্লব ধাকা অবাহানিনা পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীখিবা মরম্না চেন্নাইন এফ সি ইন্টর জোন সেমীফাইনেল প্লে ওফকীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখিদ্রে।

নেপালগী ললিটপুরদা লৈবা এ এন এফ এ কমপ্লেক্সতা ঙসি শান্নখিবা এসিয়ন ফুটবোল কনফিদরেসন কপকী গ্রুপ 'ঈ'গী গ্রুপ মেচকী অরোইবা রাউন্দদা য়ুম্বু লৈবাক অদুগী মনাং মর্সিয়াঙদি ক্লব অমসুং ইন্দিয়াগী চেন্নাইয়িন এফ সিগা লম্বা তৌনবদা গ্রুপ অসিগী ওইনা হৌরকপদগী শান্নরকপদা মেচ অমা ফাওবা মায় পাকপা ঙমদনা লাকখিবা নেপালগী ক্লব অদুগী মায়কৈদগী চেন্নাইয়িন ফুটবোল ক্লবকা শান্নবদা অকনবা লম্বা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী অরোইবা মেচনি হায়দুনা শান্নরকখি।



মেচ অদুগী অহানবা হাফকী মিনট ৪৫গী শান্নখিবা অদুদা টুর্নামেন্ট অসিগী নোকআউট রাউন্দ য়ৌনবগীদমক অচৌবা ৱাখল্লোল অমগা লোয়ননা শান্নরকখিবা ইন্দিয়াগী চেন্নাইয়িন এফ সিগী মায়কৈদগী পাঞ্জল চন্ননবা হোৎনখিবশিং অদু নেপালগী এম এম সি (মনাং মর্সিয়াঙদি ক্লব)গী দিফেন্দরশিংনা য়াম্না ফজনা শান্নদুনা ইন্দিয়াগী ক্লব অদুগী এটেকশিং অদু অরেম্বা তাহনবা ঙমখি।

মেচকী ২শুবা হাফ হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈ শান্নবগী ৫৩ শুবা মিনটতা চেন্নাইয়িন এফ সিগী মহমদ রফিনা মেচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল চল্লগা নেপালগী এম এম সিবু ১-০দা হেন্দুনা লৈখি। মিনট ১৩ লৈরগা মখা তানা ইন্দিয়াগী ক্লব অদুগী শান্নরোয়শিংগী মায়কৈদগী অহেনবা এটেক অমদা টিম অদুগী শান্নরোয় এলি সাবিয়ানা পাঞ্জল অমগা হাপচিন্দুনা ২-০দা নেপালগী এম এম সিবু হেন্দুনা লৈখি।

নেপালগী ফুটবোল ক্লব এম এম সিগী মায়কৈদগী শান্নবগী ৭১ শুবা মিনটতা অফিস ওলাৱালে ওলাদিপোনা পাঞ্জল অমা হন্দোকপা ঙমখি। মদুগী মতুং চেন্নাইয়িন এফ সিগী দিফেন্স লাইন অদুবু তকখাইবা ঙমদুনা নেপালগী ক্লব অদুগী মায়কৈদগী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা অফিস ওলাৱালে ওলাদিপোনা মেচকী ৭৯ শুবা মিনটতা ইক্বেলাইজর অদু চনবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নোকআউট ষ্টেট য়ৌননবা অচৌবা ৱাখল্লোল অমগা লোয়ননা শান্নরকখিবা চেন্নাইয়িন এফ সি শান্নবগী ৮৮ শুবা মিনটতা টিম অদুগী মহমদ রফিনা পাঞ্জল অমা হাপচিল্লগা নেপালগী ক্লব এম এম সিবু ৩-২দা থোইখি।

চেন্নাইয়িন এফ সি ঙসিগী মেচ অদু মায় পাক্তুনা পোইন্ট ১১ ফংখি। অদুবু বংলাদেশকী ক্লব ধাকা অবাহানিনা ঙসিগী মেচ অদুগী মাংওইননা মেচ ৫দা ৩ মায় পাক্লগা মেচ অমমম দ্রো চৎপা অমদি মায়থীবা নংদুনা পোইন্ট ১১দা লৈখি।

ঙসি গুৱাহাটিগী ইন্দিরা গান্ধি এথলেটিক ষ্টেদিয়মদা ইন্দিয়াগী টিম মিনরভা পঞ্জাবকা বংলাদেশকী ধাকা অবাহানিগা লম্বা তৌনবদা অহানবা হাফ অদু পাঞ্জল লৈনখিদে।

মশান্না অসিগী কাংলোনগী মতুং ইন্না বোলগী খোঙজেল য়াংনা শান্নখিদবা মিনরভা পঞ্জাবকী মায়কৈদা মেচ অদুগী রেফরিনা হন্না হন্না চেকশিন ৱাহৈ ফোঙদোকখি। মিনট ৪৫গী অহানবা হাফ লোইশিনখ্রবা মতুং অনীশুবা হাফকী অপীবা মিনট ৪৫গী মতম লোইশিল্লকপা লোয়ননা মখা তানা মেচ অদু থোইবা য়াবগী লম্বেল উখিবদগী ধাকা অবাহানিনা মিনরাভা পাঞ্জবপু ১-০দা থোইদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী গ্রুপ 'ঈ'গী অরোইবা লিগ মেচতা বংলাদেশকী ধাকা অবাহানিনা মিনরভা পাঞ্জাবপু মায়থীবা পীদুনা গ্রুপ অদুগী খ্বাইদগী চাওনা মায় পাকপা ঙমদুনা নোক আউট ষ্টেজ য়ৌবা ঙমখি।

# হোন্দুরস মায় পাক্লবসু লৈহৌরে, জমাইকা অমসুং কুরাকো দ্রো চৎখিবদগী টিম অনিমক ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে

কালিফোর্নিয়া, জুন ২৬ (এজেন্সী)ঃ

য়ু এস এ, কোষ্টা রিকা অমসুং জমাইকানা পুন্না য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্লিবা কোনকাকেফ গোল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী গ্রুপ 'সি'গী অরোইবা মেচশিংদা হোন্দুরস মায় পাক্লবসু লৈহৌরে। জমাইকা অমদি কুরাকো দ্রো চৎখিদুনা টিম অনিমক টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

য়ু এস এগী বেঙ্ক ওফ কালিফোর্নিয়া ষ্টেদিয়মদা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা মেচ অমদা হোন্দুরস অমসুং এল সলবাদোর লম্বা তৌনখি। মেচ অদুগী অহানবা হাফ নাকল অনীমক্তগী লম্বা মান্ননা শান্নরকপা মরম্না স্কোর বোর্দতা পাঞ্জল অমত্তা লৈবা ঙমখিদে।

অনীশুবা হাফকী হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈ মিনট ১৪ শুরকপদা হোন্দরসকী মায়কৈদগী চৎথরকখিবা এটেক অমদা মাইকেল সিরিনোজনা পীখিবা পাস অমা টিমমেট জোর্গে অলভারেজনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা একাউন্ট হাংদোকখি। মিনট ৬ লৈরগা হোন্দুরসকী রুবিলিয়ো কাষ্টিলোনা মখা তানা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা এল সলবাদোরবু ২-০দা হেন্দুনা লৈখি।

হোন্দুরসকী মায়কৈদগী ৭৫ শুবা মিনটতা ব্রাইয়ন একোষ্টানা পাঞ্জল অমগা হাপচিন্দুনা ৩-০দা হেন্দুনা এল সলবাদোর অৱাবা নংখি। মেচকী অরোইবা মিনট ৯০দা মখা তানা হোন্দুরসকী এমিলিয়ো ইজাগুইরেনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ৪-০দা মায় পাক্লবসু ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিদ্রে।

গ্রুপ অসিগী অতোপ্পা মেচ অমদা জমাইকা অমসুং কুরাকো লম্বা তৌনবদা জমাইকাগী মায়কৈদগী অহানবা পাঞ্জল অদু ১৪ শুবা মিনটতা চন্দুনা মাংজিল থাখি। অদুগা মেচ অদুগী অরোইবা মিনটতা কুরাকোগী জুরিয়ন গারিনা ইক্বেলাইজর চল্লগা দ্রো চৎখিবদগী টিম অনী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।



# ইন্দিয়াগী লিয়েন্দর পেজ অমসুং ফ্রান্সকী বিনো পায়রে অন্টালয়া ওপন টেনিসকী দবলসকী ক্বার্টর ফাইনেলদা লৈহৌরে

অন্টালয়া, জুন ২৬ (এজেন্সী)ঃ

টর্কিগী কোনুং অন্টালয়াদা থা অসিগী ২৩দগী চৎথরকপা য়ুরো ৪২৬,১৪৫গী শেলগী মনা লৈবা এ টি পি ৱর্ল্ড টুরগী সেরিজ ২৫০গী মনুং চনবা টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা অন্টালয়া ওপন টেনিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী দবলসকী কাংলুপ্তা ইন্দিয়াগী লিয়েন্দর পেজ অমসুং ফ্রান্সকী বেনো পায়রে ক্বার্টর ফাইনেলদা মায়থীহৌরে।

লিয়েন্দর পেজ অমসুং বেনো পায়রেনা ঙসি শান্নখিবা অন্টালয়া ওপন টেনিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী দবলস ক্বার্টর ফাইনেলদা টুর্নামেন্ট অসিগী ৪শুবা সিদেদ পেয়র জেক রিপব্লীক্কী রোমান জিবাবি অমসুং ওষ্ট্রিয়াগী ফিলিপ ওসৱাল্ডগা লম্বা তৌনবদা য়াম্না নক্লবা মশান্নদা সেট অনীদা মায়থীহৌরে।

ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অদুগী অহানবা সেটতা নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা চপ মান্নবা মওংদা গেম ৬/৬ থোইদুনা টাইব্রেক শান্নখি। টাইব্রেক অদুদসু লাকশিন্নবা ঙম্নদনা লাকপদগী পোইন্ট ২৪ শান্নরকপদা জেক রিপব্লীক অমসুং ওষ্ট্রিয়াগী পেয়র অদুদা ১৩-১১দা থোইদুনা মাংজিল থাখি।

অনীশুবা সেট অদুদা জেক রিপব্লীক্কী জিবাবি অমসুং ওষ্ট্রিয়াগী ওসৱাল্ডনা ইন্দিয়াগী পেজ অমসুং ফ্রান্সকী পায়রেগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬-৪দা থোইরগা টুর্নামেন্ট অদুগী সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অতোপ্পা নুপাগী ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অমদা ২শুবা সিদেদ ওইরিবা ইন্দিয়াগী দিবিস সারন অমসুং ব্রাজিলগী মার্কস দিমোলাইনরবু য়ুক্রেনগী দিমোনচানোক অমসুং স্লোভাকিয়াগী আই জেলেনিনা ষ্ট্রেট সেট ২দা ৬-২, ৭-৫তা মায়থীবা পীদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী সিঙ্গলসকী ২শুবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী নম্বর ১ শান্নরোয় প্রজনিস গুনেশ্বর ইটালিগী এল সোনেগোগী মখুৎতা ৭-৬ (৭-৩), ০-৬, ৫-৭দা মায়থীহৌদুনা ক্বার্টর ফাইনল য়ৌবগী লম্বেল লোইশিনখি।





